ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯵
꯳꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইম্ফাল, থাংজ, ফেব্রুৰারী ১৪, ২০১৫
৩৮ শুবা চহী, ৩২৯ শুবা মশীং

[illegible]

[illegible]

হা হা হায়না অমুক্তং নোক্লগা ফগদ্রা

ৰাইরু ৰাইরুবদা

হোঙবা



গভর্নমেন্ট মশীং খঙদনা শীনখ্রে। মশীং খঙদ্রবা ৰা ঙাংবা হৈর-হৈরবা, ৰাশকপা হৈর-হৈরবা মী কয়া অমা হৌখ্রে। মায পাক্তুনা লোইখ্রে নুংঙাইখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা অমন্ধ-অমন্ধদৌনা অদুম তৌরি। মী খরা অমনা নীং-নীং লাউনা পাল্লি মী ময়াম অমনা মে-মে লাউনা পাল্লি। ফনা হায়'শাবনি লাল ফনা তৌরসু অফস্পা লৈরসু, হ্যুমন রাইটস ময়াম অমা খোঙপাক্লা চবেৎ-চবেৎ লাউনা নেখরে হায়রসু, বন্দ নুংতিগী তৌরসু, শেঞ্জা-থুমজনা চাহৎলসু, থবক ফংদবনা লৈবাক নোল্লসু, মৈ লৈত্রসু, ঈশিং থারক্ত্রসু, পোৎ-চৈ মমল হাইগৎতুনা লৈখ্রসু, নোং তাদ্রসু, ঈশিং ঈকং থোক্লসু, ঈচাউ তৌদুনা লৌ থুল্লসু, মীগী মচা ময়াম এইদসনা নাদুনা শিরসু শেলবু পায়রবদি ময়ামগী অৰা-অনা অসি অদুম উশিন্নদনা লৈবদা অদুম নুংঙাইনরমগনি হায়না খল্লি। আলু য়োংচাক ইরোনবদি অদুম্মক হাউগনি হায়বা। মী য়াম্না থবক ফংদবা মতমদা ঐগী ইচানা থবক ফংলবদি ঐ হরাউগনি। নুংঙাইবা খরনা নুংঙাইবা য়াম নুংঙাইবৈ ৰানীনে হায়রিসে।

“গভর্নমেন্টনবু মীয়ামগী করি তৌবীরগেনে হা... হা... হা...?” তখেল্লম্বম বিহারিনা নহান হায়বা ৰাফমনি। য়াংলেম ইপল মাঙ্গোলজাওনসু অদুম হায়,” গভর্নমেন্টনবু পিপলগী করি তৌবীখ্রগেনে হা... হা... হা...।” ৰাহৈ অমত্তনি, মখোয় লোইনা নোকপনি ৰাশিং অসি হেক হায়বা লোইবগা। নোকপা নৎতনা উপাই মচা অমত্তা লৈত্রে হায় য়াই। করম্মাইনসু নোক্লোইদৌরিনো? নোক্কদৌরিবা খূনোক অসি হরাউ নুংঙাইবগী খূনোক নোক্ত্রসু শাউনিংবগী খূনোক ওইরসু অমদি অদুম নোকপা তাবনি। হা... হা... হা... হায়না লাউনা লাউনা নোকথোক-নোকথোক্লগা হিংবা তাবনি। মী হাৎলবা মীসু মানাবু নোকপু নোক্লিংলদি পেন্না নোক্কনি কংশ খঙদে রাবোন খঙদে লোইনা নোক্কনি। আই এস আই এসকী টেরোরিষ্ট অমনসু থোৎ-থোৎ লাউরিবা নৌরিবী লাঞ্জদ্রবী নুজা অমগী মঙক্তু হৈজ্রাং অমনা লাউ খোংবা মরক্তা লেন্থৎলগা অকক্পা মকোক্তু খূৎনা পায়রগা হরাউনা হা... হা... হা... নোক্কদৌরিবনি। অদুনা খূনোক খূনোক খেন্নবগী ৰানি। রাশি কংগেরা রাশি কংলোইরা লোইনা নোকপা হায়বসিমদি নোক্লি শাউরসু নোক্লে, হরাউরসু নোক্লে, নোক্লিংলসু ফজনা নোক্লে ৰাবা হেনমল্লবসু অদুম নোক্লে। নোকপগী অর্থ য়াম্মী।

মণিপুর অসিদা লৈরিবা মী লোইনমক্লা ইশাসু য়াওনা হায়জরবদা মানা মানা খল্লিবা ময়াম অসি ঐ ঐদং হিংলগা লোইরে হায়বা অসিনি। শাগী মচৎ অমনি, 'দুবু মসিনা মতোইনা খরা অমা হেন্দা হেনজিল্লক্লগদি মী অদু হুরানবা ওলহল্লি, শাহিং-ঙাহিং চারগা নুংঙাইবা মী হায়বদু পেন্নমুক লায়না ওইহল্লক্কনি, ঐগী ঐগী হায়বা অসিনা মন্ত্র শোনবগুম চিন্দা শোন্দুনা নৈনরবা নৎত্রগা ঐ ঐদং হিংলগা লোইরে হায়বা অসিনা থম্মোয়গী শুরুংগী ফক্লাংদা ময়েক চাউনা চাউনা ইদুনা থেংনরবদি মী খুদিংমক হুরান চিন্থিবা, মী হাৎপা ঙম্মবা, করম্সন তৌবা কিদ্রবা, রেপ তৌববু হঙ্গোইদ্রবা পর্সেন্টেজ চাদুনা মীয়ামগী লোইশিনবা ঙম্বা হায়বসিদি করিসু লৈবা পোৎ নত্তে। দ্রগ করবার চাউনা তৌদুনা ইশাদুনা ইশাদং ইনাক খুল্লগা মীগী মচাবুনা দ্রগ পীজরগা মথঙ-মথঙ হাৎতোকপা ঙম্মকপা হায়বসিসু করিসু লৈত্রবা মায়দা তোংবা কাঙ হাৎকুম্বনি। ঐ ঐদং শেন্দোং ফংলগা পুল্লোই লোইরে খঙবীরগদি লম্লক্কী শাশিং চাবা শা ওইনা পোল্কস্বনা চুনবজাৎনি।

নুমিৎ হেক খুদিংগী পাউচে পাবদা থেংনরিবা লম্বী শেন্বগী শেল মফম মরাং খঙদনা মাঙহনখ্রে, প্রধাননা কম্যুনিটি হোল শাবগী শেল লোইনা লৌথোক্লল্লে, জিলা পরিষদ মেম্বরনা লৌখোং তৌবগী লুপা লাখ ৩৫ এম এল এগা মান্নরগা লোন্না হাইদৎখ্রে হায়রিবনচিংবা ময়াম অসি মশা মশাদং নুংঙাইরগা লোইরে খন্নরকপনি। গভর্নমেন্টকী থবক অমা তৌনবা হোৎনবদা মতিক চাগে চাউ, চারোই তোকউ ঐগী ইচাদি থবক খন্দবা শুকয়া য়াদে হায়দুনা শেল পীজনদবা য়ানরক্ত্রিসি মী মচা-মশুদুদা ঙাক্তা শাউবীরুবা য়ারোই মসি মা মানা হিংবা ঙম্নবা তৌরকপনি। মখা শমথজরক্কদবা লৈরি। মাগী মাগী পাল্লিবা গভর্নমেন্ট/লৈঙাক অদুনা মতিক চানা মীয়ামগী থবক তৌবীবা তারবদি মসিগুম্বসি থোকপগী চাং অসি ফজনা হন্থরক্কনি।

গভর্নমেন্ট অদুনা মৈ অসি ফজনা পীবীরো, টেক্স ফজনা খোমগৎলো, ঈশিং ফজনা থারক্লো, টেক্স ফজনা খোমগৎলো, ওজাশিং ফজনা স্কুল কাহল্লো, তোলোপ চাং নাইহল্লো, স্কুল শঙ ফজনা শাবীরো, গভর্নমেন্টকী দিপার্টমেন্ট খুদিংদা লৈরিবা শেল য়াম্না চানিংবা চানিংবী ময়াম অসি ফজনা ৰারক্লো, ফাইল অমা চৎপদা মতম মাঙহল্লনু, মীয়ামগী থাদরকপা শেল থুম মীয়ামদা শোইদবীগী য়ৌহল্লো, থবক চঙবদা শেঞ্জা-থুমজা তৌরনু, লৌমীদা মতম চানা হার ফংহল্লো, ফংলিবা হার অদু মমল শরুক অহুম মরি হেনগৎলগা ফংহনবা তোকহল্লো। লম্বী শেন্বদসু ফজ-ফজনা শেমহল্লো। ময়াম্না পান্বা পান্বদু লোইনা পাঙথোকপীরো। মতম মাঙহনবীরগনু। ৰাজাউদং ঙাংলগা ইশা ইশাদং মিনিষ্টর, এম এল এ ওইবগী নুংঙাইবদু থাদোকপীরো। পি দি এসকী পোৎলম ফজনা মীয়ামদা য়ৌহল্লো। লোইনমক অফবা ঙাক্তা তৌনবা হোৎনবীরো হায়বা তাই। মসুম্মাইনা তৌরবদি মীশিং অসি হুরান্নীংবা ফাওরক্লোই, শেল পীজনীংবা ফাওরক্লোই, মসিগী মওং অসি লাক্লবদি কনা অমত্তা ৰানিংঙাই লৈরোই। য়েংখি য়েংখিবদা মীৎলি নাবা ঙাক্তা! মীয়াম থোইনা ফত্তবা নত্তে। গভর্নমেন্টনবু মীয়ামগী করি তৌবীবগে হায়বা ৰাহং অসিগা লোয়ননা মীয়ামসু মশা মশানা লৈঙাক মহা থারকপনি। মী মঙা তরুক হেক পুনশিনখিবদা পেন্দবনা হেনমন্দনা লৈঙাক হেক্তা ওল্লকপনি। ইশা ইশাদা হংজবা য়াই- ঙসি ফাওবা ঐ ঐগী লাইবক অসিগীদমক লৈঙাক্লা করি করি করিবু তৌবীখ্রবগে কায়না হংনীংহল্লিবা! লোইনা লৈঙাক ওল্লক্লিসি অদুননি। ঙসিফাওবা ঐনা হেক পোকপদগী হৌজিকফাওবা মিনিষ্টর ওইরকপা মী য়াওরি। অদুবু মখোয় মখোয়না করিবু মীয়ামগী তৌবীবা য়াওরবগে? গভর্নমেন্টনবু অফবা থবক ময়াম অমা তৌরক্লবদি হিংচাবা ওইরগা হিংগে খল্লস্বা মীসু শাধু ওল্লকপা কুইহৌরোই। গভর্নমেন্টনা করি অমত্তা তৌবীদ্রবনিনা মী খুদিং গভর্নমেন্ট ওল্লকপনি শাউরু য়াদে। ইশা ইশাগীদং খন্নরক্লিবসে গভর্নমেন্টনা হিংনবা লম্বী ফৎলক্তবদগীনি হায়না লৌজরে। হা... হা... হা... অমুক্তদি মতাং চাদ্রসু নোকচগে ঐ।

শান্নরোইশিংগী চপ চাবা পোলিসি শেম্বীদবা

শান্নরোইশিংগী কেরিয়র শেম্বদা খুদোংচাবা পীবা তঙাইফদে

মণিপুর অসি শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মশক থোক্লা খোঙ থাংজিনবা ষ্টেট অমনি হায়না শীংথানদুনা স্পোর্টস হাউসনি হায়না ফোঙদোক্লরি। থাঙ্গৈমক শেংনা হায়রবদা প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লবা লৈজরগসু ষ্টেট অসিগী মনুংদগী নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্কী শান্নরোই কয়া পুথোক্তুনা ষ্টেট অসিগী অমদি লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি হায়বসি কনামত্তনা কক্পা ঙম্লরোইদবা ৰাফমনি। ষ্টেট অসিদা শান্ন-খোৎনববু পামজবা কয়ানা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল থাক্তা পাঙথোকপা চাংদম্নবা কয়াদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনবদা চঙলিবা স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ট্রেনিংগী অৰাৎপা কয়া লৈজরগসু লমদমসিদা হান্ননা স্পোর্টসকী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংগী মতাংদা নৈনজবা, তমশিঞ্জরুবা লোকেল কোচ কয়াগী মতেঙগা লোয়ননা মশা মশানা মশীংখা ফুদোক্তুনা হৌরকপা ঙাক্তনি। শান্নরোইশিংনা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা চাংদম্নরকপদা মায় পাকপগী মওং উরগা লমদম'সিগী মীয়াম্না কয়াগী মতীক পুক্লিং মকা লাম্না হরাউ-তয়াম্বা পোকচবা হায়বদু মীপুম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৰাফমনি। ইন্দিয়াগী অৰাং নোংপোক কাচিন ইথং থংবদা লৈরিবা মণিপুর অসি লৈবাক অসিগী মনুংদা মমুৎ তানা মশক খঙহন্নবা হোৎনবদা শান্নরোইশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসিমক্লা সেন্টর লৈঙাক্লা মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লীংনবা অয়াবা পীরকখিবনি। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্লা হীরম'সিগী মতাংদা ৰারু-নুংজু থোক্তনবা শীনবা ঙমদবগী ফীভম অমদা লৈখিবা মাল্লি। মসিনা ৰাফম অমা ওইনা লৈখ্রসনু। লৈঙাক পায়রিবশিংনা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিংনা হেন্না হেন্না লৌরক্লিবা থৌদাংবু চপ চানা মশক খঙদুনা সষ্টেনেবল ওইবা স্পোর্টস পোলিসি শেম্নবা হোৎনবা উদ্রি। শান্নরোইশিংনা মায় পাক্লক্তুনা ষ্টেটকী মীংচৎ পুরকপা মতম খক্তদা খূবাক-খূবনদি ওইবা য়ারোই। হোয়, ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শান্নরোই কয়া থবক পীদুনা খুদোংচাবা ফংহনবা লৈরি। অদুবু চপ চাবা পোলিসি অমগী মখাদা থবক পায়খৎপা উদে। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই কয়া অমা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংনা তাপ তাপ লাকখিদুনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেটকী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবদা লাল্লোই অমগুম শীজিন্নরি। লৈবাক অসিগী ওইনা পাঙথোকপা খ্বায়দগী চাউবা স্পোর্টস ভগেঞ্জা ওইরিবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা মেডল মশীং য়াম্না লৌদুনা লাকখিবদা নৎতনা লেমজনীংঙাই ওইরবা রাজ্য ভলেন্দ্র সিংহ ট্রোফি ফাওবা লৌবা ঙম্লকখিবনি। হন্দক কেরেলানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৩৫শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা মহৌশাদগী মেডল মশীং হন্থনা লৈরগনি হায়বসি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা শরুক য়ারিবা ষ্টেটশিংগী মেডল টেল্লি অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে। হন্দক্কী নেসনেল গেমস অসিদা মণিপুরনা ইভেন্ট ২০ খক্তদা শরুক য়াবা, মেডল লৌগদবা ইভেন্ট খর কক্‌খিবা লৈরগসু মহৌশাদগীদি চাং হন্থরে। ফেন্সিং অমসুং জুদোগী কম্পীটিসন্দা মণিপুরদগী হৌখিবা অতৈ ষ্টেটশিংদা শান্নখ্রবা কয়াগা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগা চাংদম্নবা উরি। হিংনবা লানফম থেংনবা অমদি শান্নরোইশিংগী কেরিয়র শেম্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চঙলিবা কয়াগীদমক খুদোংচাবা কয়া ফংনবা লম্বী থীরকপা হায়বসিদি মশানা তাজরবা ৰাফমনি। খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমনা মণিপুরগী নুপা ফুটবোল টিমনা নেসনেল গেমসতা শরুক য়ানবগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদবা অসিনি। মণিপুরদগী মমীং লৈরবা ফুটবোল্লর কয়া ইন্দিয়াগী মমীং লৈরবা ক্লবশিংদা শরুক য়াদুনা শান্নবা অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক ফাওবা য়ৌবা পীক থন্না লৈরি। অসিগুম্বা অফবা ফুটবোল্লর কয়া পুথোক্লিবা মণিপুরনা নেসনেল গেমসকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদবা হায়বসি ইকায় ফীরুক খুন্নীংঙাইনি। মরম অসিনা মায়কৈ অসোমদা মরী লৈনবশিংনা পুক্লিং চিংশিনবা ফৈ। হন্দক কেরেলানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা নেসনেল গেমস অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মণিপুরগীদমক মেডল লৌবা ঙম্লবা শান্নরোই কয়া অতৈ ষ্টেটশিংনা খুদোংচাবা পীশিন্দুনা লাক্লবা মীৎয়েং থম্বা হৌখ্রে। হন্দক মেডল মশীং য়াম্না ফংদবগী মওং অমা লৈরক্লিবা অসি মরু ওইনা শান্নরোইশিংগী চপ চাবা পোলিসি অমা লৈঙাক্লা শেম্বীদবদগী থোরকপনি। হীরম'সিগী মতাংদা য়াম্না হায়রুবগী মথৌ তাদে খল্লি। মণিপুরগী মীংচৎ কনবনা পোলিটিকেলগী খুজুরু-মুজরুদগী হেন্না ফৈ-খন্দুনা ষ্টেটকী-মীংচৎ থম্নবা পাম্বোম তিংলিবা শান্নরোইশিংগী চপ চাবা পোলিসি শেম্বীদুনা মথঙগী নেসনেল গেমসতা মাঙজিল থানবা লম্বী শেমহৌসি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

মণিপুরগী লম্বী-থোংগী ফীভম

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

মণিপুর লৈঙাক্লা চাউখৎ থৌরাংগী থবক্লি হায়দুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক ময়াম অমা পায়খৎলি। অদুবু থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৰাবা, লম্বী-থোংগী ফীভম ফত্তবগী অৰাবা কয়া অমা মীয়াম্না থেংনরি। অৰাবশিং অসিদগী হেন্না মীয়াম্না থেংনরিবা অৰাবদি লম্বীগী ফীভম ফত্তবনি। মণিপুরগী লম্বীগী ফীভম ফরিবা হায়ববু চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো মমাঙ, গভর্নর বঙ্গলোগী মমাঙ, ইম্ফাল এয়রপোর্ট লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৰেগী শরুক খরা অসি মঙাই। মণিপুরগী ইন্টর ভিলেজ রোদ অমসুং লৈরকশিংগী ওইরিবা ফীভম অদুদি অসুক্কী মতিক ফৎত্রে, লম্বী অসিমদি নুংঙাইরে হায়বা অমত্তবু য়াওদ্রে। য়েংশীনবীনবা মপু পান্দবগুম তৌরে। মসিগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী মীয়ামগী ৰাকৎ লাকপদা নৎতনা লম্বী থিংবগী খোঙজং ফাওবা চঙশিন্নবা য়াওখ্রে। অদুবু লৈঙাক্লদি লম্বীশিং অসিবু নীংথিনা শেমজিন্নবা চপ চাবা খোঙথাং অমসুং থৌশিল ঙসি ফাওবা লৌখৎপা উদে।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদগী হৌরগা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ য়াওনা ফম্নাইবা পুম্নমক্লা ফীভম শোক্লবা লম্বীশিং অসিদা অমুক্তং চৎতুনা য়েংলবদি মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি খঙগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ৰাক্সা মিনিষ্টরনসু অহেনবা পুক্লিং চিংশিন্দুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎহন্নীংই।

*অদোমগী, **রুশেল থোকচোম***
কৈশামপাৎ কৈশাম লৈকায়, ইম্ফাল

হায়নবা লৈ ঃ

করি উনা শাবা শিংজংনো, শিংজংদেদা শিংগারে।

মৈতৈ ট্রাইব

নবকুমার ওইনা

ইচিন-ইনাওনি হায়নরিবা মণিপুরীশিংনা মৈতৈবু ট্রাইব ওইনা লাউথোকপগী ৰারেপ লৌবদা লৈ-লোল্লি। ইশাগী ফীভম করি ওইরি হায়বা কনসিয়স ওইনদবনা লাইখায় তানা ৰারেপ লৌবা ঙম্নদবনি। মীওই খরগী অশোয়বনা মীয়ামবু ৰাহনবসি ৰাখল-লৌশিং লৈবগী মাল্লক্ত্রে। নুপী-অঙাংদগীনা হনু-হনা ফাওবনা ঐখোয়গী তুংগী শক্তম অমা লৈত্রে, মালেমগী খোঙথাং খঙনদ্রে হায়বসি থাজনদবনা অয়াম্বা ওইরি। দেমোক্রেসি করিনো খঙদনা মোনার্কি সিটিজন ওইরিবগুম খন্নরিবা, থৌদাং খঙনদ্রিবশিংগী মরক্তা লাইবক থীবদগী শৌকনি শাবা য়াওরিবরা খন্নরি।

জাৎ খায়বগী ৰাখল্লোনদু ঙসি ফাওবা য়োক্তুনা থম্নরি। খাংতপ্তা ৰায়রুবা লোনচৎ অসিনা মীয়াম ৰাহল্লিবসি মী হাৎপনি হায়বা খঙনদ্রি। য়ুম্নাক শাগৈ হোংলক্তুনা লমদমসিগী ঈদা তিলরবা নিংঙোল মাৰাগী নাট ইল্লুবনি। শঙ্গাবগী ষন্থিগুম অশেংবনি খল্লুবসি শেন্থং মাঙলবা, ৰাখল তাদবা ওইরক্লে। ইপু হাক্তক্তগী কন্বী ঈরিক অমনা জাৎ ওল্লক্লবা, চারোল তরেৎলক ঈ ওল্লক্লবা, সলাই তরেৎতা তিল্লবা হায়বসি লমদমসিগী ৰাখল খল্লগদৌবনি। অপুনবগী ৰারেপ্তা য়াওগদৌবনি।

কাঙলূপকী মিংসি হোংবা য়াবা হোংনরি, খরনা হোংবা য়াদবগুম খন্নরি। কাঙলূপকী মিংদা হাত্তোক্লরিবশিং ঈ-মরী থোক্লবা ঙাক্তনি। নাট হায়বসি হোংবা নায়বা, হোংদুনা চৎলিবা, হোংবা ঙমগদৌবা অমনি। কান্নবা খরা য়োক্তুনা থম্নবগীদমক অমনা অমবু নমথনরবদি মী শিনরকপা মশানা তারকই। হোংদুনা চৎলিবদু হোংবা য়াদে হায়বসি পোসেশিপ ওইবগী ৰাঙাংনি, লৈবাকমচা তাদবগী শক্তম য়োকখৎপনি। পুন্না লৈমিন্নরিবা মীয়ামগী অপুনবা ফ্যুচর অমগী ৰাখল খন্নগদৌবনি। মী মরক্তা শা তানবগী ৰাখল থাদোক্তুনা মীয়াম লোয়নবা হৈবা তারক্লি।

ফিজোল অমা খেন্নবগী তোঙানবনি খন্নবসি ইশানা তোঙাঞ্জনিংবগী ৰাখলনি। মী অমনা মী অমদা শোয়বা নত্তে, মী অদুনা মীয়ামদা লঙজবনি। মীওই অমদা চৈরাক পীবদনা অরোয়বা নত্তে, খুন্নাই অমা তঙাইফদনা কনবদুনি। পুল্লিবা অসিদা পুল্লসি অমুক হায়নরি। মশা-মশাদা অপুনবগী শাজৎ য়াওনদবনি। মদুমক্লা মায় পাক্কদৌবা ৰারেপ লৌবা ঙম্নদবনি। খৎনগনি হায়বদি খঙলবা, খন্নগনি হায়রদি খঙনদ্রিবা হায়বসি দেমোক্রেসি চৎনরে হায়বা য়াখিরোই। এসেমব্লিদা ফাওবা ৰা খন্নবদা খৎনরি।

মৈতৈসি ট্রাইব ওইবগী ট্রাইব ওইনা লৈঙাক্লোন্না খঙফম থোকই হায়বনি। মীওই খরগী অপাম-পামদগা মরী লৈনদে। মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগী তঙাইফদবনি। অনা-শিকি, ঙাচেৎ-থুমচেৎকী য়েৎনদুনা লৈগদৌবা নত্তে। ইশানা ইশা ইশক খঙনবা হৌবনি। খুন্নাই অমগী অপুনবা মতিং শাগৎপনি। লৈঙাক্কী কয়াৎনুংদা ঙাংনবা ৰানি। লাইনীং অমদি কাঙলূপকী মিংখৈ শোনবা নত্তে। ৰাঙাং শাঙাং, লোনচৎ-শাজৎ শেমদোক্লবা ঙম্নহৌদবদগী থাক অসি য়ৌখিবনি। জাৎ নায়দবশিংনা জাৎ খায়বগী ৰাফম থাদোক্লগদৌবনি।

লমদম অসিগী লৈঙাকপদা অরুবা থৌদাং লৌরক্তবা মীওই খরনা মীয়ান-ৰাঙাং ঙাংদুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা অয়েৎপা পীরিবগুম তৌনরি। মশাগী থাক নেম্না উখোক্লরি। মী মশীং য়াম্বা তান্নবা, অচৌবা কাঙলূপ শাগৎপা তান্নরি। অদুগা অতোনবা ফুরুপকী কান্নবদি লৌনরি। এটোম বোম অমা ফুমজিনবগুম অতোপ্পা লৈবাক অমা শাগৎপগুম তৌনরক্লি। মরক অসিদা মৈতৈদি কাঙদ্রুম ওইহৌরে। মুৎশিল্লক্লি, লৈঙাক্তা মিং য়াওরক্ত্রে হায়বা খঙনদ্রি।

ট্রাইব হায়বসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা করম্বা ৰাহন্থোক পীবগে খঙজদবা মীওইনা ফম্নাইবা ওইশিনবদি খুদোংথিনিংঙাইনি। লৈঙাক্লা নুংঙাইনবা মীয়ামগী য়াইফনবা কাঙলূপকী মিং শীজিন্নরুবনি। গভর্নমেন্টনা জাৎ অনেম-অৰাং খায়রুবা নত্তে। মশানা য়াওনিংলগা য়াওবা, য়াওনিংদ্রগা তোকপা য়াবসু নত্তে হায়বসি ফম্নাইবশিংনা খঙবীগদৌবনি। অপঙবা ফুদোক্লফমসু নত্তে। লানখিবদু চুমথোক্কদৌবনি হায়বনি। মরন্নাই নত্তে, থৌদাংদু খঙগদৌবনি ফোঙদোক্লরকপতনি। থৌদারকপা ঙাইগদৌবসু নত্তে।

মসিমক পাঙথোকপা ঙমদবগী পাঙদবদুদি লায়রি। মীনা করি ওইনা উখিগদৌবনো খন্থনগদৌবদুনি, নাপলদু নত্তে। মালেমগী থাক্তা মান্ননা হিংমিন্নবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি সিষ্টেম অমগী খুদোংচাবদু মৈতৈশিংসু ফংফম থোকপনি, নীরুগদৌবা নত্তে হায়বসি লমদমসিগী মীয়াম্না খঙমিন্নবা তারক্লি।

থাপানলোল (কেলেন্দর) হায়বসি করিনো খঙমিন্নসি-১

দল্লিয়ু হোমেন্দ্রো

কেলেন্দর হায়রগা করিগুম্বা কুমশীং অমগী অপাম্বা থাগী অপাম্বা চৈচেৎ (তারিখ)কী নুমিৎ, থাবান্নচিংবা লায়না উৎপা টেবল অমবু খঙনৈ। নুমিৎ-থাগী খোঙচৎ মতুং ইন্না কেলেন্দরসি চাউরাক্লা লুনার, সোলার অমদি লুনি-সোলর হায়না মখল অহুম লৈ। থাশি মতুং নোংমা পানবদগী পুর্ণিমা ফাওবদা থাগী অঙানবা শরুকসি অসুম-অসুম চাউখৎলম্লগা পুর্ণিমা মতুংদগী থাশি ফাওবদা অসুম-অসুম পীকথরক্তুনা উবা ফংলক্তবা ফাওবগী মতম্থু লুনার মন্থ কৌই। অমরোমদা সোলর ইয়ার হায়বসিনা মালেমগীনা নুমিৎপু অমুক্তং কোয়বদা চঙবা মতম্বুনি। অদুগা সোলর কেলেন্দরগী চৈচেৎকা চাশিন্নবা ইন্টরকেলরি দেজ নৎত্রগা মন্থ হাপচিনবা লুনর কেলেন্দর মখলবু লুনি-সোলর কেলেন্দর কৌনৈ।

মালেম শীনবা থুংনা শীজিন্নরিবা ইংলিশ কেলেন্দরসি সোলর কেলেন্দরনি। মসিবু পোপ গ্রেগোরিনা হৌদোক্লম্বদগী গ্রেগোরিয়ান কেলেন্দরসু কৌনৈ। মুসলমানশিংনা তশেংবা লুনিকেলেন্দর শীজিন্নৈ। হিন্দুশিংনা সোলর অমদি লুনি-সোলর কেলেন্দর অনীমক শীজিন্নৈ। সোলর অমদি লুনর কেলেন্দরশিং অসিগী চহী অমদি থা হৌবা অমদি লোইবগী মতমদি মফম-মফমগী মতুং ইন্না খেন্নরি। সোলর মন্থ অমত্তগী অশাংবা অমদি চৈচৎ মশীংসু মতম-মতমগী মতুং ইন্না খেন্নবা য়াওরি। লোয়ননা লুনর মন্থ অমত্তগী হৌবা/লোইবা মতমসু মফম-মফমগী মতুং ইন্না অমদি থাবান হোৎপগী পথাপ মান্নদবদগী অমগা-অমগা খেন্নেরি। কেলেন্দরশিংদা য়াওরিবা নুমিৎ অমদি চৈচৎনচিংবা হৌবগী অমদি লোইবগী মতমসু লম-লমগী চৎনরকপা মতুং ইন্না খেন্নরি। অদুগা অমুকসু মফম খেন্নবগী মতুং ইন্না নুমিৎ থোকপা/নুমিৎ তাবা মতম মান্নদবা, ষ্টেন্দার্দ টাইম খেন্নবা অসিনচিংবা কয়াদগী চপ মান্নবা চৈচেৎ, থাবান, ফেষ্টিবেলগী মতম/নুমিৎ খেন্ননা লৌনরি। পুম্নমকসি লোল, ধর্ম্ম, জাৎ, কাঙলূপ্পচিংবা খেন্নবদগী অমদি লম-লমগী ওইবা মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা মান্নদবদগীসু থোক্লকপনি।

ঐখোয়না লমদমসিদা শীজিন্নরিবা কেলেন্দরসিদি লুনি-সোলরনি। লুনর কেলেন্দরগী থা ১২না সোলর কেলেন্দরগী চহী অমদগী নুমিৎ ১১ নিরোম তেল্লি। *মহৌশানা অকক্লবা থাগী অকক্লবা চৈচেৎসি চহী খুদিংগী চাউরাক্লা থাবান ১১ থেংথরকই।* খুদম ওইনা হৌখিবা ২০১৩গী জানুৱারি ১সি পোইনু ১৯নি পানবা ওইখিবনা মথঙ চহী ২০১৪গী জানুৱারি ১দা পোইনু থাশি তাখিবগা লোয়ননা চৎলিবা চহী ২০১৫গী জানুৱারি ১সি ৰাকচিং ১১নি পানবা ওইরক্লিবনি। অদুগা চৎলিবা চহীগী ইঙেন থাদা অমাংবা/অহেনবা (মলমাস/অধিকমাস) লৈগদৌবনা মথঙ চহী ২০১৬কী জানুৱারি ১দা ৰাকচিং ২২গী মহুত্তা পোইনু ২২নি পানবা ওইগনি। *মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মহৌশানা অকক্লবা থাগী থাবানসি চহী খুদিংগী চাউরাক্লা ইংলিশ কেলেন্দরগী নুমিৎ ১১ ওনখৎলকই।* খুদম ওইনা শজিবু নোংমা পানবসি হৌখিবা ২০১৩গী এপ্রিল ১১দা, ২০১৪গী এপ্রিল ১দা তাখি। চৎলিবা চহী ২০১৫কী মার্চ ২১দা শজিবু নোংমা পানবা তারি। অদুগা ২০১৫ অসিদা ইন্টরকেলরি লুনার মন্থ লৈগদৌবনা ২০১৬কী শজিবু নোংমা পানবদি এপ্রিল ৮দা তারগনি। সিজন হোংবগা কায়নদনবা লুনি-সোলর কেলেন্দরসিদা চহী ১৯গী মনুংদা অহেনবা থা (লুনর মন্থ) ৯ খক থমই।

ইস্লামগী কেলেন্দর ঃ- মুসলমানশিংনা লুনর কেলেন্দর শীজিন্নবনা মুস্লিম ফেষ্টিবেলশিংসি সোলর কেলেন্দরগী মতুং ইন্না চহী খুদিংগী নুমিৎ ১১নি হেক-হেক ঙনখৎনা তাই। চহী খুদিংগী শৱাল থাগী চৈচৎ ১দা পাঙথোক্লিবা ইদুল ফিতরসি হৌখিবা চহী ২০১১গী আগষ্ট ৩১, ২০১২গী আগষ্ট ২০দা, ২০১৩গী আগষ্ট ৯দা, ২০১৪গী জুলাই ২৯দা তাখ্রিবনি। মতৌ অসুম্না চৎলিবা চহী ২০১৫কী জুলাই ১৯দা ইদুলফিতর তারি। করিগুম্বা থাদা (Month) থা হৌগৎলকপদা (Moon) থা উবা/উদবগী মতুং ইন্না হান্না লেপ্পা চৈচৎকা নোংমা খেন্নরবসু মথঙ চহী ২০১৬কী জুলাই ৭তা ফেষ্টিবেল অসি তাফম থোকই। অদুগা ইদুল ফিতর, মিলাদ-উন-নবি, ইদ-উজ-জুহানচিংবা মুস্লিম ফেষ্টিবেলশিং অসি করিগুম্বা ইংলিশ কেলন্দরগী চহী অমদা অনীরক তারবদি গভর্নমেন্টনা অহানবখক্তং জেনরেল হোলিডে ওইনা লাউথোক্লিবনি। ৬২২ এ দি, জুলাই ১৮, শগোলশেন (ইস্লাম কেলেন্দরগী মতুং ইন্নদি ইরাই) নুমিত্তা প্রোফেৎ মহমদনা মক্কাদগী মদিনাদা চঙলকপদগী হিজিরি (Hejira) হায়বদি ইস্লামিক ইরাগী কুমশীং থীবা হৌখি। কেলেন্দর অসিগী লেঙদবা পথাপকী মতুং ইন্না মহরম, রবিয়ল আৱল, জমাদিয়ল আৱল, রজব, রমজান অমদি জেঙ্কদনচিংবা তুমা শুদবা থা ৬ অসি নুমিৎ ৩০না শাই। অদুগা শফর, রবিয়স সানি, সমাদিয়স সানি, শাবান, শৱাল, জেলহজ্জনচিংবা তুমা শুবা থা ৬ অসিনা নুমিৎ ৩০না শাই। অদুগা শফর, রবিয়স সানি, জমাদিয়স সানি, শাবান, শৱাল, জেলহজ্জনচিংবা তুমা শুবা থা ৬ অসি নুমিৎ ২৯না থা শাদুনা থা ১২গী অপুনবা নুমিৎ ৩৫৪না হিজরিগী কুম অমা শাই। অদুগা চহী ৩০গী মনুংদা লিপ ইয়র ১১ লৈদুনা লিপ ইয়র লৈবা হিজিরি কুমশীংদা নুমিৎ ৩৫৫ লৈ। হৌখিবা চহী ২০১৪গী ওক্টোবর ২৬ (নোংমাইজিং নুমিৎ) হায়বদি মহরম থাগী চৈচৎ ১দা হিজরি কুমশীং ১৪৩৬ হৌখি। অদুগা হিজরি কুমশীংদা ৩০না য়েনবদা ২,৫,৭,১০,১৩,১৬,৮,২০,৪,২৬ অমদি ২৯ লেম্বা কুমশীংদা চহীগী অরোইবা থা জেলহজ্জদা নুমিৎ ২৯গী মহুত্তা ৩০ লৈ। অদুমকপু থাশি মতুংদা নুমিৎ তাখ্রবা মতুংদা অহানবা থা উবা নুমিদাংদগী থা হৌবা চৎনৈ। হিন্দুশিংনা নুমিৎ থোকপগা Weekday হৌই। ইস্লাম লাইনীং চৎপা ইচিন-ইনাউশিংদি নুমিৎ তাখ্রগা হিন্দুশিংদগী চাউরাক্লা পুং ১২ ঙনখৎনা Weekday হৌই।

খৃষ্টিয়ান কেলেন্দর ঃ- খৃষ্টিয়ান কেলেন্দরসি লুনি-সোলরমক নৎত্রবসু চহী খুদিংগী ফেষ্টিবেলশিংগী মতম য়ৈথোক-য়ৈশিন তৌদুনা গ্রিগোরিয়ান কেলেন্দরগা চাশিন্নৈ। শুপ্নগী খৃষ্টমাসখক নৎতনা খৃষ্টিয়ান ফেষ্টিবেলশিংসি ইষ্টর সন্ডেদগী অকক্লবা নুমিৎ মশীংগী মতুংদা পাঙথোকই। মহৌশানা ইষ্টর সন্ডেসি ১৪নি পানবা লোইখ্রগা (পুর্ণিমাগী হেক মতুংদা) অমদি বসন্ত ঋতুগী অহিং-নুংথিল শাংবা মান্নবা নুমিৎ (Spring Equinox day) হায়বদি মার্চ ২১দা নৎত্রগা মসিগী হেক মতুংদা তাবা অহানবা নোংমাইজিংদা পাঙথোকই। অদুগা গুদ ফ্রাইডেনা ইষ্টর সন্ডেগী নুমিৎ নীনিগী মমাঙ ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্নে। খুদম ওইনা হৌখিবা ২০১৩গী মার্চ ২১সি লমতা ৯নি পানবা তাখিবনা হৌখিবা লমতা ১৭নি পানবা মার্চ ২৯দা গুদ ফ্রাইডে তাখি। মথঙদা হৌখিবা ২০১৪গী মার্চ ২১সি লমতা ২০নি পানবা তাখিবনা (লমতা পুর্ণিমা হেন্দোকখ্রবনা) শজিবু পুর্ণিমাগী হেক মতুং এপ্রিল ১৮ অমদি এপ্রিল ২০দা গুদ ফ্রাইডে অমদি ইষ্টর সন্ডে মথঙশিৎনা ওইখি। অদুগা চৎলিবা চহী ২০১৫কী মার্চ ২১সি শজিবু নোংমা পানবা তাবনা এপ্রিল ৩ (শজিবু পুর্ণিমা)দা গুদ ফ্রাইডে তারি। লোয়ননা (শজিবু ১৭নি পানবা) এপ্রিল ৫দা ইষ্টর সন্ডে তারি। মথংদা ২০১৬কী মার্চ ২১ (লমতা ১৩নি পানবা) গী মতুং মার্চ ২৫ অমদি মার্চ ২৭তা গুদ ফ্রাইডে অমদি ইষ্টর সন্ডে মথঙশিৎনা তাগনি। মতৌ অসুম্না খৃষ্টিয়ান, হিন্দু অমদি মীতৈ লাইনীং চৎপা খুদিংমক তোঙান-তোঙানবা মওংদা লুনি-সোলর কেলেন্দর শীজিন্নরি ।

জুলিয়স কেলেন্দর ঃ- গ্রিকোরিয়ান কেলেন্দর চৎনদ্রিঙৈ অঙনবা মতমগী থা, চৈচৎনচিংবগী নুমিৎ, থাবাননচিংবা খঙবা তারবদি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা গ্রিগোরিয়ান কেলেন্দর চৎনবা হৌখিবা কুমশীং, থা, চৈচৎনচিংবা খঙবা তঙাইফদে। জুলিয়ান কেলেন্দরসি ৪৬ বি সিদা Julius Caesar হৌদোকখি। হৌজিক-হৌজিক মালেম পুম্বনা য়ানরবা মতম ওনবগী পথাপশিং খুদম ওইনা সেকেন্দ ৬০না মিনিট ১গা মান্নবা অমদি মিনিট ৬০না পুং ১গা মান্নবসিদি মেসোপোটামিয়ানশিংদগী লৌরগা অদুগা পুং ২৪না নোংমা শাবসিনা মমাঙঙৈগী ইজিপ্টসিয়ন কেলেন্দরশিংদগী লৌবগা লোয়ননা নুমিৎ ৭না চয়োল ১ শাবসিনা জ্যুৱিশ কেলেন্দরদগী লৌরগা জুলিয়ান কেলেন্দরসি শেমখি। কেলেন্দরসিগী মতুং ইন্না খৃষ্টকী কুমশীংদা ৪না লেমদনা য়েনবা য়াদবা থংনবা চহী অহুম খুদিংদা নুমিৎ ৩৬৫ লৈরগা মথঙ চহীগী ফেব্রুৱারি থাবু নুমিৎ ২৯না শারগা চহী অমদা নুমিৎ ৩৬৬ লৈদুনা চাংচৎ ওইনা কেলেন্দরসিগী চহীসি ৩৬৫ $^1/_4$ দেজ হায়বদি নুমিৎ ৩৬৫.২৫ (= নুমিৎ ৩৬৫গা পুং ৬) কা মান্নৈ। অদুগা সোলর ইয়রদি নুমিৎ ৩৬৫.২৪২১৯গা মান্নবনা জুলিয়ান কেলেন্দরনা সোলর ইরয়দগী নুমিৎ (৩৬৫.২৫–৩৬৫.২৪২১৯ = নুমিৎ ০.০০৭৮১) হায়বদি মিনিট ১১ সেকেন্দ ১৪.৭৮৪ হেন্না াাংবনা কেলেন্দর মখল অসি ঋতু হোংবগা চানদে। অদুমকপু ঙল্লিঙৈ মতমদগী লেপ্তুনা চৎনরকখিবনা হৌজিক-হৌজিকমক জুলিয়ান কেলেন্দরসি চৎনদ্রবসু জুলিয়ানগী নুমিৎ মশীং অসিদি তত্তনা রেকোর্দ তৌনরি। অমরোমদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা গ্রিগোরিয়ান কেলেন্দর চৎনবা হৌখিবগী মতম খেন্নবগা লোয়ননা চহী হৌবগী চৈচৎ অমদি থাসু মফম অমদি মতমগী মতুং ইন্না খেন্নবনা মালেমগী ওইবা হৌখিবা থৌদোক-ৰাথোক্কী কুমশীং, থা, চৈচৎনচিংবা মশক লেপ্পদা জুলিয়ান কেলেন্দরনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইরি।

ম সি ’ ম গা ঃ

পাপকি থৌওং পুম্বা শাওরবদি চিংনদনা পাঙথোকই।

— বিবেকানন্দ